রঘবেন্দ্র লোক সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

লৈবাকসিদা ট্রিপল টলাক্কী কেস ২৪৮ পন্দুনা লৈরি : রবি শঙ্কর প্রসাদ

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লুচিংবা বি এস য়েদিয়ুরপ্পাগী মচানুপা বি ৱাই রঘবেন্দ্রবু ঙসি লোক সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

য়েদিয়ুরপ্পানা ফম থাদোক্লগা কর্নাটকাগী এসেমব্লী মীখলদা মীরেপ ওইখ্রবা মতুংদা হাংদুনা লৈহৌবা সিমোগা লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিগী বাই ইলেক্সন্দা রঘবেন্দ্রনা হন্দক্তা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, সুপ্রীম কোর্টনা ট্রিপল টলাক্কী চৎনবী অথিংবা থমখ্রবসু হৌজিক হৌজিক লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা ট্রিপল টলাক্কী কেস ২৪৮ পন্দুনা লৈরি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা হায়খি, কুমজা ২০১৭ কী জান্যুৱারি ১ দগী হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা মখলগী কেস ৪৭৭ লাকখি। সুপ্রীম কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা লৈহৌরিবা কেস মশিং ২৪৮ নি। অদুম ওইনমক ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা চপ চাবা কেস মশিং খঙবা ঙমদ্রি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না উত্তর প্রদেশতা ট্রিপল টলাক্কী কেস খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈ। সেন্টরনা টলাক হায়বা ৱাহৈ অসি অহুম্লক হায়রগা মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবী খায়নবগী থৌওং য়াহন্দনবা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনখ্রবসু লৈবাক্কী মফম খরদা মখা তানা থৌওং অসি চৎনবা থেংনরি। মুস্লিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) ওর্দিনান্স ২০১৮ গী মখাদা ষ্টেট ষ্টেটকী ওইবা কেস মশিং সেন্টরদা চপ চাবা লৈতে।

কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্টতা সুপ্রীম কোর্টকী জজ মঙানা শাবা বেঞ্চ অমনা ট্রিপল টলাকপু কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না ৱায়েল পীখিবনি।

পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ঙসিসু ওপোজিসন মেম্বরশিংনা রফেল দিল, রাম টেম্পল শাবগী ৱাফম অমসুং কাবেরিনচিংবগী মতাংদা পুখৎলক্তুনা চরাংনবা থোকহনখ্রে। নিংথম মীফমগী হুম্নী চনবা নুমীৎতা রাজ্য সভানা মরুওইবা ৱাফম অমত্তা খন্নদনা মীফম য়েথোকপা তাখি। অদুম ওইনমক চহী ১৭ কী মমাঙদা টেররিষ্টশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চথরকখিবদা লৈখিদ্রবা মীওই ৯ গী মফমদা মেম্বরশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

মেম্বরশিংনা তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোক্লবা মতুংদা তামিল নাদুগী এ আই দি এম কে অমসুং দি এম কেগী মেম্বরশিংনা স্লোগান লাউদুনা হাউসকী ৱেলদা চঙলকখি। অন্ধ্র প্রদেশকী মেম্বর খরনসু ষ্টেট অসিদা স্পেসল ষ্টেটস পীগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা হাউসকী ৱেলদা চঙলকখি। রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা মেম্বরশিংবু মশা মশাগী ফম্ফমদা হঙ্গিন্নবা আপিল তৌরদুনা হায়খি, করিগুম্বা মেম্বরশিংনা মরুওইবা ৱাফমশিং খন্ননবগী খুদোংচাবা পীদ্রবদি তঙাইফদনা হাউসকী মীফম য়েথোক্কনি। মদু ফাওবদা মেম্বরশিংনা স্লোগান কয়া লাউশিল্লকপদগী মহাক্না ইরাই নুমীৎ ফাওবা মীফম য়েথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

লোক সভাদসু ওপোজিসন্না চরাংনবা থোকহল্লকপদগী মরুওইবা ৱাফম অমত্তা খন্নবা ঙমখিদে। ৱাহং-পাউখুম মতমদা অনীরক হন্না হাউসকী মীফম য়েথোকখিবগা লোয়নননা জিরো অৱার মতমদসু মেম্বর অনীখক ৱা ঙাঙনবগী খুদোংচাবা ফংখি।

পার্লিয়ামেন্ট এটেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা প্রাইম মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

কুমজা ২০০১ গী দিসেম্বর ১৩ দা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা চথরকখিবা এটেক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমসুং অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট এটেক্কী ১৭ শুবা নীংশিং কুমওনগা মরী লৈননা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, য়াম্না মরুওইবা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাখিবা মীওই পুম্নমক্কী মফমদা কোক নোন্না ঈকায় খুম্নবা উৎলি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটেলি, এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমদি অতৈ লুচিংবা কয়ানসু থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। ওপোজিসনগী মায়কৈদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি পার্টি অসিগী লুচিংবা গুলাপ নবি অজাদনসু থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০১ গী দিসেম্বর ১৩ দা খুৎলায় মতিক চাবা পায়বা টেররিষ্ট মঙানা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী কমপ্লেক্সতা চঙলক্লগা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক চথরকখিবনি। থৌদোক অদুদা দিল্লি পুলিসকী পর্সনেল মঙা, সেন্ট্রেল রিজর্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী নুপী ওফিসল অমা, পার্লিয়ামেন্টকী ৱার্দ ষ্টাফ অনী, গার্দেনর অমা অমসুং কেমেরামেন অমা শিখিবনি।

পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী পুন্না শরুক য়ামিন্নখি। মোদিনা থৌরম য়াওবা লাকখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগা উনদুনা ৱারী শানরবসু কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মনাক নক্না চঙখিদে। রাহুল গান্ধীনসু প্রাইম মিনিষ্টর লৈ হায়বা খঙশিন্নদবগী মওং উৎখি। রাহুলনা থৌরম অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বিজয় গোয়ল অমসুং সোসল জষ্টিসকী ষ্টেট মিনিষ্টর রামদাস অথৱালেগা খুৎ শোক্লখি।

অতৈ শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংগী মনুংদা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদু, লোক সভাগী স্পিকর সুমিত্রা মহাজন, বি জে পিগী লুচিংবা এল কে অদবানি অমসুং য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলাইয়ন্স (য়ু পি এ)গী চ্যেরপার্সন সোনিয়া গান্ধী য়াওরি।

চহী ১৭ কী মমাঙদা খুৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা পার্লিয়ামেন্ট হাউস কমপ্লেক্সতা এটেক চথরকখিবনি। সী আর পি এফকী ইন্সপেক্টর অমগী মচানুপানা ইমুং-মনুং অমসুং মপাগী অপাম্বা মতুংইন্না ফোর্স অসিদা থবক চঙদুনা মীচম-মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা থৌরকপা কার অমা পার্লিয়ামেন্ট হাউসকী গেট নম্বর ১১ দা চঙলকখি। গাড়ী অদু সী আর পি এফকী নুপী পর্সনেল অমনা খাম্নবা হোৎনরুবদা খুৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা গাড়ী মনুংদগী নোংমৈ কাপথোরকখি। টেররিষ্টশিং পার্লিয়ামেন্ট কমপ্লেক্সতা চঙলকখ্রবা মতুংদা কমলেস কুমারী কৌবী নুপী পর্সনেল অমনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাম্হেংনখি।

ক্রিমিনেল ১১ খুৎশিন্নরকখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দগী ৱাথোক্তা চেন্নবা কৃষ্টিয়ন মিচেল য়াওনা হৌখিবা চহী ৩ গী মনুংদা মীওই ১১ ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নরকখি হায়না এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী ষ্টেট মিনিষ্টর ভি কে সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ক্রাইম তৌরগা অতোপ্পা লৈবাক্তা চেনখ্রবা মীওইশিংবু ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী ৩ গী মনুংদা কৃষ্টিয়ন মিচেল য়াওনা ক্রিমিনেল ১১ খুৎশিন্নরক্লে। ইন্দিয়ানা হৌজিক হৌজিক মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৫০ রোমগা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি খুৎয়েক পীনখিবা মরম্না হায়রিবা লৈবাকশিং অদুনা ক্রিমিনেলশিং খুৎশিন্নরক্নবা থৌরাং লৌখৎপদা অঙম্বা মতেং পাংলক্কনি। মতম খরগী মতুংদা অতোপ্পা লৈবাক ১০ গসু এক্সট্রাদিসন ট্রিটি খুৎয়েক পীননবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, মপান লৈবাকশিংদা থোকপা খুদোংথিবা থৌদোকশিং মায়োক্লখিবা মীওই লাখ ২ হেন্না হৌখিবা চহী ৪ গী মনুংদা তেক্তকায়দনা কনবা ঙমখি হায়রি।

নমথাক তৌরগা মপান লৈবাক্তা চেনখ্রবা মেহুল চোক্সিগী মথক্তা ইন্টরপোলনা রেদ কোর্নর নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী): পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ১৩,০০০ নমথাক তৌদুনা লৌথোকখ্রগা মপান লৈবাক্তা চেনখ্রবা মেহুল চোক্সিগী মথক্তা ইন্টরপোলনা রেদ কোর্নর নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

মমাকনুপা নিরাব মোদিগা খুৎশম্নরগা মেহুল চোক্সিনা চহী অসিগী জান্যুৱারি থাদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ৭০০০ নমথাক তৌদুনা লৌরগা এন্টিগুৱাগী সিটিজন ওইনা খুন্দাখিবনি। সী বি আইগী স্পোক্সপার্সন অভিসেক দয়ালনা হায়খি, কয়ারক হন্না হায়জরবা মতুংদা ইন্টরপোলনা মেহুল চোক্সিকী মথক্তা রেদ কোর্নর নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে। মেহুল চোক্সিনদি মহাক্কী মথক্তা থাঙ্গৎলক্লিবা কেস অসি কনাগুম্বা মীওই খরনা পোলিটিকেলগী লৌতুনবা মওংদা লৌখৎলকপা থৌরাংনি হায়না ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মেম্বর মঙানা শাবা ইন্টরপোলগী কম্মিটি অমনা য়েংশিনবা হৌখ্রে। মীচেন ওইনা লাউথোকখ্রবা মীওই অমগী মথক্তা ইন্টরপোলনা করিগুম্বা রেদ কোর্নর নোটিশ ইস্যু তৌরবদি মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংনা মীওই অদু ফাবা ঙম্মী। অমরোমদা, ইন্টরনেসনল এরেষ্ট ৱারেন্টনি হায়না লৌবা য়াই।

অশাবা চে-চাং শীজিন্নরগা বেঙ্কতগী লোন লৌখিবগী মতাংদা নিরাব মোদি অমসুং মেহুল চোক্সিকী মথক্তা সী বি আইনা চার্জসিট থাঙ্গৎপা লৈখ্রে। সী বি আইনা থাঙ্গৎলকপা চার্জসিট মতুংইন্না

মেহুল চোক্সিনা লুপা ক্রোর ১৩,০০০ নমথাক তৌরগা লৌথোকখি অমসুং নিরাব বোদিনা লুপা ক্রোর ৬০০০ নমথাক তৌরগা লৌথোকখি হায়না ফোঙদোকখি। বেঙ্কতগী লোন লৌরগা মপান লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈখ্রবা বিজয় মাল্যাসু মথং থাদা য়ুনাইটেদ কিংদমনা ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

লন্দনদা ৱেষ্টমিন্সটর মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টনা মাল্যাবু ইন্দিয়াদা খুৎশিন্নখিনবা য়াথং পীখি। সেন্ট্রল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) অমসুং অতৈ এজেন্সীশিংগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌবা তারবসু মাল্যানা অথুবা মতমদা লৈবাক অসিদা হল্লক্কনি হায়বা থাজদে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক বি জে পিগী লুচিংবা সুব্রমনিয়ম স্বামিনা হায়খি, ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অমত্তনা মাল্যা ফাবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মপান লৈবাকশিংগা পাউ ফাওনদুনা কিংফিশর এয়রলাইনগী মপু অসিবু ইন্দিয়াদা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। লোন লৌখ্রগা মপান লৈবাক্তা চেন্দুনা লৈখ্রবা কিংফিশর এয়রলাইনগী মপু বিজয় মাল্যা ইন্দিয়া খুৎশিন্নরকপা য়াই হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা অর্থর রোদ জেলদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

লুপা ক্রোর ৯০০০ লোন লৌরগা চেনখিবা মাল্যাবু লন্দনদা লৈবা ৱেষ্টমিন্সটরগী মেজিষ্ট্রেটকী কোর্টতা এক্সত্রাদিসন ত্রাইয়লগা মরী লৈননা পুথোকখি। জেলগী ওফিসল অমনা হায়, ২৬/১১ হায়না খঙনবা মুম্বাইগী থৌদোক্তা চেন্নবা মহম্মদ অজমল কসব থম্লিবা জেলগী শরুক অদুদা মাল্যাসু থম্নবা থৌরাং তৌরি। বেঙ্কতগী লোন লৌরগা চেনখিবা বিজয় মাল্যা খুৎশিন্নহন্নবা কেসকা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) গী অপূনবা টিম অমা য়ুনাইটেদ কিংদম মায়কৈ পাংখ্রবনি। লোন লৌরগা চেনখিবা কিংফিশর এয়রলাইনগী মপু বিজয় মাল্যানা বেঙ্কশিংদা লোন শিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

অনৌবা গভর্ণর শক্তিকান্ত দাসকী মীৎয়েংখাদা আর বি আই বোর্দকী মীফম পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

অনৌবা গভর্ণর শক্তিকান্ত দাসকী মীৎয়েংখাদা হয়েং রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) সেন্ট্রেল বোর্দকী মীফম পাঙথোক্লগনি।

নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপশিং খন্নবগা লোয়নননা বোর্দকী দিরেক্টরশিংবু আই বি আইগী ৱারেপ লৌবদা য়াওহনবগী ৱাফম হয়েংগী মীফমদা খন্নরবা য়াই হায়না থাজনরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইরগা খুদেংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরিবা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসগী মতাংদসু বোর্দকী মীফম্না মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই। অর্জিৎ পটেলনা ফম থাদোকখিবগা লোয়নননা শক্তিকান্ত দাসনা আর বি আইগী অনৌবা গভর্ণর ওইনা থৌ পুরবা মতুংদা য়াম্না মরুওইবা মীফম অসি পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

আর বি আইগী অনৌবা গভর্ণর ওইনা থৌ পুবা হৌখ্রবা শক্তিকান্ত দাস ইকনমিক এফ্যেরস সেক্রেটরি ওইরম্বনি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট

অমসুং আর বি আইগী মরক্তা মুরুবগী ফীভম লাকপদগী অর্জিৎ পটেলনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা শক্তিকান্ত দাসনা অনৌবা গভর্ণর ওইনা থৌ পুখিবনি। মতম শাংনা সিভিল সার্ভিসতা লৈরক্লবা শক্তিকান্ত দাসনা আর বি আইগী অনৌবা গভর্ণর ওইনা থৌ পুরবনিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লগনি। য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা লৈরম্বা দাসনা আর বি আইগী ২৫ শুবা গভর্ণরনি। তামিল নাদুগী কাদরগী আই এ এস ওফিসর অসি শেন্মীৎলোনগী লমদা নীংথিনা খঙ-হৈরবা মীওইনি হায়নসু ফাইনান্স মিনিষ্টণ অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক এফ্যেরসকী সেক্রেটরি ওইরম্বা শক্তিকান্ত দাসপু এপোইন্টমেন্টস কম্মিটি ওফ কেবিনেটনা চহী ৩ আর বি আইগী গভর্ণর ওইনা থৌ পুনবা ৱারেপ লৌরে। য়াম্না থাজদবা মওংদা অর্জিৎ পটেলনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা অনৌবা আর বি আইগী গভর্ণর অমা খন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। অর্জিৎ পটেলনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ইকনমিক এদভাইজরি কাউন্সীল (ঈ এ সী) দা ইকনমিষ্ট ওইনা লৈবা সুর্জিৎ ভলাসু ফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

আর বিগী আইগী ২৪ শুবা গভর্ণর ওইখিবা অর্জিৎ পটেলবু চহী ৩ গী ওইনা থৌ পুনবগীদমক কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বর ২৬ তা খনখিবা তারবসু মতম শুদনা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখি। লন্নাই ওইবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌবনি। খুদক্তা গভর্ণরগী থৌ পুবা তোক্লগনি হায়না অর্জিৎ পটেলনা ফোঙদোকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অর্জিৎ পটেলবু ইন্দিয়াগী বেঙ্কিং সিষ্টেম ফীভম ফগৎহল্লম্বগী মতাংদা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মিলিটেন্ট ২ হাৎপগী সোপোর টাউনদা ঈরাং থোকখ্রে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ১৩ (এজেন্সী):

ঙসি খুৎ থোক্লবদা মিলিটেন্ট অনী হাৎখিবা নোর্থ কাশ্মিরগী সোপোর টাউনদা লম্বীদা থোক্তুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা দেমোন্সত্রেটরশিংবু তানখায়নবা তৌবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং পেলেটস অমসুং টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখ্রে।

চৈরকসিদা, সোপোর টাউন অমসুং থংনবা এরিয়াশিংদা মতম অমত্তদা ষ্ট্রাইক চথখ্রে। সিক্যুরিটিগী য়েংদুনা মফমশিং অদুদা মখা তানা তোকঙা শন্দোকপা থিংনবা মোবাইল ইন্টরনেট থীংজিনখ্রে।

সিক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, মীহাৎশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অয়াম্বনা নহারোলশিং ওইবা য়াম্লবা মীয়াম্না থৌদোক থোকখিবা ওল্ড ৱাথ কালান মনাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং প্রোটেষ্টরশিংনা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপখি। মখোয়না নুঙনা থাজিনবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তঙাইফদনা টিয়ার গ্যাস সেলশিং অমসুং পেলেটশিং কাপ্পগী খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি।

পনবা য়াবদি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা পুলিস পর্সনেল ৩ হাৎপা লৈখ্রবনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মশিং য়ামদবা কাঙলুপনা খুন্দাবা মফমশিং ঙাক শেন্দুনা লৈবা পুলিস পর্সনেলশিংদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখিবনি। সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টকী জেনপোরাদা টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি গার্দশিং লৈবা কা মনুংদা চঙলক্লগা য়াম্না লায়বা মওংদা এটেক চথরকখি। থৌদোক অদুদা পর্সনেল অহুম শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওই অদু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি।

ষ্টেট অসিগী মুজগুন্দদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা টেররিষ্ট অহুম শিখিবগা লোয়নননা সিক্যুরিটি পর্সনেল মঙা অশোক অপন নংখ্রবনি। লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিং অদু লাস্কর-ঈ-তোইবাগী মেম্বর ঙাক্তনি হায়বা খঙলে। লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিংগী চপ চাবা মশক মমিং খঙদোক্লবা হোৎনরি। থৌদোক থোকফমদগী য়াম্লবা খুৎলায় কয়ামরুম ফংখিবগা লোয়নননা মরুওইবা চে-চাং খরসু থেংনখি। হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখ্রবনি।।

শ্রীনগরগী মুজগুন্দ এরিয়াদা লৈবা বন্দিপোরা রোদ মনাক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থি-হুন্নগী থবক চথরিঙৈদা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরকখিবনি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মফম অদুদা হেক য়ৌরকপগা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। হৌজিক ফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা নোংমৈ কাপ্নরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref:- Mut. Case No. 581/SDC/Oinam of 2018

Sachin Oinam S/o (L) O. Biramangol Singh of Oinam Makramayum Leikai.

...... *Applicant*

-Vrs-

1. (L) Oinam Biramangol Singh S/o O. Tomanjao Singh of Oinam.
2. Irom (N) Landhoni Devi W/o O. Biramangol Singh of Oinam.

...... *O.P. Pattadars*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Oinam, the 13th December, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩০-ওইনামগী পাট্টা নং ৭৬ (অনৌবা) দাগ নং ২৬৪, এরিয়া একর ১.৪৭ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমীং কক্লগা মাগী মমীংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **S. Budhichandra Singh**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/2747/14



[illegible]/অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, অমাঙথোং ময়াদা কাকফৈগুম্না মচা অমা ইনথোক্লগা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা নাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওঙন্নরোই

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা য়াম্না থুপ্পা শাবা, অমাঙথোং ময়াদা কাকফৈগুম্না মচা অমা ইন্থোক্লগা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাঙথোং মনুংদা খুজিল্লগা খোঙ হাম্বদা শাবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ তোয়না তোয়না হাম্বা, অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা অমাঙথোংদা য়াম্না নাবা, খাংফম খঙদবা, খ্বাঙ য়াংলেন নাবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পুক শাউগৎপা, পুকচেপ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক অদু থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক য়াম্না নাবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, খোঙ খুৎ শজিং তোয়না হৌরগা শিথরকপগুম তৌবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar near traffic point.

থাগৎচরিবা : **I. NELSON**
Wahengbam Leikai

HL-P/5791/14

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Vide:- Mut. Case No. 1212/SDC/Nambol of 2018

1. Laishram Manaoton Singh S/o (L) L. Khamba Singh of Utlou.

...... *Applicant*

-Vrs-

1. Laishram (O) Leinou Devi W/o (L) L. Khamba Singh of Utlou.
2. Thounaojam Narhari Singh S/o (L) Thambal Singh of –do–.

...... *O.Ps.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Nambol, the 11-122018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং ১৬-উৎলৌ খুনগী পাট্টা নং (১) ৩৪২ এরিবা ৩৪৯ অনৌবা, দাগ নং ১১১৩, এরিয়া ০.৭৬ একর অঙনফৌ লৌফম। (২) ৩২৮ অরিবা ৩৪৮ অনৌবা, দাগ নং ১১০৬ এরিয়া ০.৮০ একর ইশ্বোল। (৩) ৫৩৯ অনৌবা দাগ নং ১০৫৫ এরিয়া ০.৮৪ একর ফৌরেল লৌফম। পাট্টাদার পুম্নমক মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমীং কক্লগা মহাক্কী মমীংদা লম পুম্নমক নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লমশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **S. Dhiren Singh**
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/2745/14

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

Ref:- Mut. Case No. 563/SDC/Bishnupur,2018

Potshangbam Leima Devi W/o (L) Tomba Singh of Bishnupur Ward No. 8.

-Petitioner

-Vrs-

Potshangbam Tomba Singh S/o (L) Irabanta Singh of Bishnupur Ward No. 8.

-O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Bishnupur, 13-12-2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 1. Potshangbam Bhogendro Singh S/o Nabakumar Singh, 2. Potshangbam Tomba Singh S/o (L) Irabanta Singh, 3. Potshangbam Momocha Singh S/o Manihar Singh, 4. Potshangbam Ingocha Singh S/o Manihar Singh, 5. Potshangbam Leima Devi W/o Tomba Singh, 6. Potshangbam Ibemhal Devi W/o Ingocha Singh.

All of Bishnupur Ward No. 8 তা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 37/135/35 (Old), 37/333 New, C.S. Dag No. 1500 area 0.40 চাওবা ইশ্বোলগী লমগী ২ নং পাট্টাদার ওইরম্বা Potshangbam Tomba Singh S/o (L) Irabanta Singh অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী লম শরুক একর ০.২০ চাওবা অসি মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/2746/14

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - IV, KAKCHING

Ref:- Mut. Case No. 46/AS&SO/IV Kak of 2018

1. Yumnam Yaima Singh S/o (L) Babudhon Singh of Langmeidong Mamang Leikai.
2. –Do– Ongbi Tamu Devi W/o Yaima Singh of –do–.
3. –Do– Shyamchoron Singh S/o (L) Babudhon Singh of –do–.
4. –Do– Ramkumar Singh S/o (L) –do– of –do–.
5. –Do– Ningol Memma Devi D/o (L) –do– of –do–.

... *Petitioners*

-VS-

(Late) Yumnam Babudhon Singh S/o (L) Kameshwor Singh of Langmeidong Mamang Leikai.

... *O.P.P*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Kakching, the 13th December, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরিঃ- মদুদি খুল নং ৭১-লাংমৈদোং পাট্টা নং ৬৪ অরিবা, ৫০ অনৌবা, দাগ নং ১৫০৮ এরিয়া ০.৫৭ একর চাওবা অঙনফৌ অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি দংকারি ওইরিবা মৃত পাট্টাদারগী মচাশিংনা মখোয়গী মমীংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ২১/১২/২০১৮ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীরগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চৎথগনি।

Sd/- **Assistant Survey & Settlement Officer-IV, Kakching**

HL-P/5834/14

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

Ref:- Mut. Case No. 1050/SDC/IW(P) of 2018

1. Heigrujam Malika Devi W/o (L) Naorem Modhumangol Singh of Thaoroijam Mamang Leikai.
2. Naorem Aruna Devi D/o (L) Modhumangol Singh of –do–.
3. –Do– Joti Devi, D/o (L) –do– of –do–.

-Petitioners

-Vrs-

1. Takhellambam Jibon Singh S/o Mohon Singh of Thaoroijam.
2. Late Khundrakpam ongbi Leihao Devi W/o Chaoba Singh of Tera Keithel Loukrakpam Leikai.

- Opposite Parties

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

13/12/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর ৮০-পাৎশোইগী পাট্টা নম্বর ৬১৯ (অরিবা), ৫/৬১৬ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৩২৫ গী এরিয়া ১.২৫০০০ একর চাওবা অঙনফৌগী লম অসিদা য়াওরিবা কো-পাট্টাদার নং (২) অসি মৃ: ওইখিবনা মহাক্কী ফংফম থোকপা দাগকী মনিংথংবদা এরিয়া ০.৮০ একর ওইবগী মনুংদগী দংকারি নং (১), (২) অমসুং (৩) দা এরিয়া ০.৪০ একর, ০.২০ একর অমসুং ০.২০ একর মথংশিংনা দখলগী মতুংইন্না মখোয়গী মমীংদা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২২/১২/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হৌনবী হুকুম চৎথরগনি।

Sd/- **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/2748/14